**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-09-2025)**

**মুরমু (এল)ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। নুমিৎ অসি ভারতকী অহানবা উপ রাষ্ট্রপতি অমসুং অনিশুবা রাস্ত্রপতি ওইরম্বা অমদি ইদুকেসনিষ্ট ডাঃ সর্বাপলি রাধাকৃষ্ণনগী মপোক নুমিৎপু নিংশিংদুনা ওজা পুমমকপু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি।

মপুং ওইবা থৌরম ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্তুনা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফবা ওজাশিংদা নেসনেচল টিচরস এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়-নুপীমচাশিংদা খ্বাইদগী ফবা মখলগী শিক্ষা পীবনা নুপীনা লমজিংবা চাউখৎ খোঙথাং য়াংশিলহন্নবগী খ্বাইদগী কান্নবা পাম্বৈনি।

নেসনেল টিচরস এৱার্ড য়েন্থোক্লবা মতুংদা থৌরমদুদা তিনখিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা রাস্ত্রপতিনা হায়-নুপীমচাশিংবু শিক্ষা পীবা হায়বসি খ্বাইদগী মাংজিল থাবা থৌদাং ওইগদবনি। মহাকা হায়-ইচানুপীশিংদা শিক্ষা পীবা হায়বসি ইমুং মনুং, খুন্নাই অমসুং লৈবাক অসি চাউখৎহন্নবগী মমল নাইদ্রবা দাননি। হৌখিবা চহি খরা অসিদা অৱাংবা থাক্কী মহে তম্বদা নুপীমচাগী মশিং চাং ৱাংনা হেনগৎলকপা উবদা রাস্ত্রপতিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

লৈবাক অসিগী ওইনা খনগৎলবা ওজা ৪৫ দা লেমজনিংঙাই ওইরবা নেসনেল টিচরস এৱার্ড-২০২৫ খুৎশিন্নখি। নেসনেল টিচরস এৱার্ড ফংলবশিংগী মনুংদা মনিপুরদগী কোইজম মচাসনা য়াওরি। মহাক, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঘাড়ি মখা লৈকাই অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেসনি। মনা ফংলবা কোইজম মচাসনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-হৌজিক হৌজিক স্কুল অসিদা

মহাক হেদ ইন-চার্জ ওইনা পুরি। প্রি-নর্সরিদগী ক্লাস আইট ফাওবগী মহৈরোই ৯৪ খক লৈবা স্কুল অসিদা ন্যু এদুকেসন পোলিসিগী চৎন-কাঙলোনগী মতুং ইন্না মহৈরোইশিংদা অফবা মগুন লৈবা শিক্ষা পীরি।

শ্রীমতি কোইজম মচাসনানা নেসনেল টিচর এৱার্ড ২০২৫ ফংলকপদা বি.জে.পি. লুচিংবা নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। মহাক্কী হোৎনজমন অমদি মহৈরোইশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা অওনবা পুরকবা লৌরিবা থৌদাংবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি। মহাকা মনা অসি ফংলকপদা মনিপুরবু চাউথোকচহল্লি।

**ওজা (এল)ঃ** ওজাগী নুমিৎ মনিপুরদসু ঙসি পাক শন্না পাঙথোকখি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখি। রাজ্য অসিগী ওজাশিংদা ষ্টেট টিচরস এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমবা উৎপা অমসুং ডাঃ সর্বাপলি রাধাকৃষ্ণনগী ফোটোদা লৈ কৎপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

ওজাগী নুমিৎ থৌরমদা ওজা ৮ দা ষ্টেট টিচরস এৱার্ড অমসুং কলেজ ৮ দা মনিপুর ষ্টেট এৱার্ড ফোর এদ্‌কেস্নেল এক্সলেন্স -২০২৫ পীখি। মসিগী মথক্তা টি.জি. হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল-শ্রীমতি বিনিতা দেবী এলাংবমদা স্কুল অসিনা কুমশি চহিগী হয়ার সেকেন্দরি পরিক্ষাদা টোপ্পরশিং পুথোকপা অমসুং স্কুল অসিগী পরিক্ষাগী ফল য়ামা ফজবগীদমক মেমেন্টো অমসুং এপ্রিসিয়েসন সার্টিফিকেট পীদুনা ইকায় খুমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়লনা হায়-ওজাশিং অসি লৌশিংগী মঙাল পীবা খক্তা নত্তে। লমচৎ-শাজৎ শেন্বীবা, মীনুংশি অমসুং থৌনা পোকহল্লিবা মীশকশিংনি। চীফ সেক্রেটরিনা হায়-নেসনেল এদুকেসন পোলিসি-২০২০ অসিনা শিক্ষাগী লমদা নহাশিংবু হেন্না শক্তি পীদুনা মালেমগা চাংদমবা য়ানবা থৌরাংনি। থৌরম অদুদা প্রিন্সিপাল

সেক্রেটরি, হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসন-শ্রী আর.কে. দিনেস সিংহনা সভাপতি ওইখি।

অমরোমদা, ঘাড়ি মখা লৈকাই অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ওইরিবী-কোইজম মচাসনাদা লেমজনিংঙাই ওইরবা নেসনেল টিচরস এৱার্ড-২০২৫ পীরকপদা কৈশাম্পাৎ থিয়াম লৈকাই দিবলপমেন্ট কমিতিনা থাগৎপা অমসুং নুংঙাইবা ফোংদোক্লি।

ফার্ষ্ট বেজ মনিপুর এগ্রীকলচরেল কলেজ-এল্যুমনাই ইম্ফালনা শিনদুনা লমফেলপাৎতা লৈবা ইন্সটিট্যুট ওফ কোওপরেটিব মেনেজমেন্ট (আই.সি.এম) দসু ওজাগী নুমিৎ পাঙথোকখি।

নুমিৎ অসি মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনসু শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখি। পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা সনাখ্যা ইবোতোম্বী হাওরোকচমগী মপোক কুমওন থৌরমসু পাঙথোকখি।

**মেসেজ (এল)ঃ** ওজাগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা সিংহ, হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পি. লুচিংবা নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, হান্নগী শিক্ষা মন্ত্রি টি.ঐচ. বসন্তকুমার সিংহ, কেন্দ্রগী হান্নগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ আর.কে. রঞ্জন সিংহনা ওজাশিংগী মফমদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**টিচরস (এল)ঃ** সাইন্স টিচরস ফোরম-মনিপুর লিংখৎখিবগী ৫০ শুবা কুমওন থৌরম অমসুং ফোরম অসিগী গোল্ডন জুব্লি সেলেব্রেসন-২০২৫ গী কারটেন রাইজিং থৌরম ঙসি তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাইন্স সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট-এন.জি. কেসো সিংহ অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টশিং-নবাকুমার য়ুমাম অমদি সি.ঐচ. মোবি সিংহনা পুন্না

প্রসিদেন্ট মেম্বর ওইখি। ভারতকী হান্নগী রাস্ত্রপতি ডা: সর্বপলি রাধাকৃষ্ণন অমসুং সাইন্স টিচর ফোরম মনিপুরগী লৈখিদ্রবা থৌপুবশিং অমদি মেম্বরশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎপা, ফাউন্দিং মেম্বরশিং, পেট্রোন মেম্বরশিং অমসুং হান্নগী থৌ পুবশিংদা লেংয়াং ফি খুদোল তস্বা অমসুং বুকলেট ফোংবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

**নোনে (এল)ঃ** ‘লেটস ব্রেক ইট দাউন্দ’ হায়বা হীরমদা ৱার্ল্ড হেপাটাইটিস ডে-২০২৫ থৌরম নোনে প্রাইমারি হেলথ সেন্টরদা পাঙথোকখ্রে।

নেসনেল ভাইরেল হেপাটাইটিস কন্ত্রোল প্রোগ্রাম-নোনে দিষ্ট্রিক্ট মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা জিলা অসিগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: অজিন মরিংমৈনা হায়-জিলা অসিদা হেপাটাইটিসকী কেস খুদোংথিনিংঙাইগী ফিভমদা হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা মীয়ামনা হেপাটাইটিসকী টেষ্ট তৌদুনা মীওই অদু লিভরনা নারব্রা হায়বদু খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়-হেপাটাইটিস লৈব্রা হায়বদু খঙদোকবা টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা অসি হকশেলগী ইন্সটিট্যুসনশিংদা লেমা ফংহল্লি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লোংমাই বজার বোর্ডতা হেপাটাইটিসকী স্ক্রিনিং কেম্প অমসুং লায়না অসিগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

**কোকোমি (এল)ঃ** চিন-কুকি নার্কো টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংগা কেন্দ্র সরকারনা সসপেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) য়ান্ন-ৱারোল মতম শাংদোকখিবা অদুবু কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিগী আই.পি.আর. সব-কমিতিগী কনভেন্নর-লাইখুরাম জয়েন্তানা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-লুপ অসিনা টেরোরিষ্টকী থৌওং অমসং

হিংশাগী ওইবা থৌওং কয়া চথৌরবসু সু য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌবা হায়বসি মনিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী স্বার্থগী মায়োক্তনি। মরম অদুনা, কেন্দ্র সরকারনা লৌরিবা খোঙথাং অসি কোকোমিনা য়াবা ঙমলোই।

চেরোল অদুনা হায়-ভারত সংবিধানগী মতুং ইন্না মীপুম খুদিংমক লৈবাক অসিগী মফম অমদা হেক্তা অশোয় অঙাম য়াওদনা চৎনবগী হক পীরি। অদুমওইনমক, অসিগুম্বা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিং অসিনা মসিবু খুদোংচাবা লৌদুনা মমল তিকবগী মওংদা চথৌরক্লিবা থৌওং অসি লাইবক থিবনি।

ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসন (ফোক্স) নসু থৌরাং অসি কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি। লুপ অসিগী ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স সেক্রেটরি-নেরিস মঙাংনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-কুকি মিলিটেন্টশিংগা খুৎয়েং পীনদুনা সসপেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) অমুক হন্না চহি অমগা শাংদোকখিবা হায়বসি মনিপুর মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। হায়রিবা থৌরাং অসি গৃহ মন্ত্রালয়না অমুক হন্না য়েংশিনগদবনি। নাকল অমরোমদা, কুকি-জো কাউন্সিলনা নেসনেল হায়বে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা অথিংবা অমদি অপনবা লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা য়ারে হায়না গৃহ মন্ত্রালয়গী মায়কৈদগী লাউথোরকখিবা অসি লাইবক থিবনি। মনিপুরগা অতোপ্পা রাজ্যশিংগা ফাওনরিবা মরুওইবা নেসনেল হায়ৱেশিং ঙাক শেনবা হায়বসি সরকারগী থৌদাংনি।

ঙরাং সসপেন্সন ওফ ওপরেসন (সু) গী য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনখিবা অদুবু পিছ এন্দ ইন্টিগ্রীতি কমিতি-কিয়ামগৈ অমদি ওল কিয়ামগৈ নুপী চাউখৎ থৌরাং লুপনসু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

**শামু (এল)ঃ** মনিপুরদা মতম কুইনা উরুদ্রবা মতুং লমলক্কী শামু অমুক হন্না উবা ফংলে।

কামজোং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা চাহোং খুলেন অমদি চাত্রিক সিয়াংগী

মফমশিংদা লমলক্কী শামু মরি মীয়ামনা ঙরাং উবা ফংখি।

**লাইব্রেরী (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই কোন্সম লৈকাইদা লৈবা খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিগী নৌনা হাংদোকপা বিরচন্দ্র সেন্ত্রেল লাইব্রেরী ঙসি হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখ্রে।

মতমগা চুন্নরবা লাইব্রেরী অসিদা সিট ১০০ লৈবা লাইরিক পাফম, লাইরিক লিশিং ৫ হেন্না অমদি ই-লাইব্রেরীগী খুদোংচাবা ফংহল্লি। লাইব্রেরী অদু হাংদোক্লদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. জয়কুমার সিংহনা হায়-ঙসি হাংদোক্লিবা লাইব্রেরী অসি য়ুনিভরসিতি অসিগী ওইনা অচৌবা খোঙথাং অমনি। লাইব্রেরী অসিগীদমক মায়কৈ কয়াদগী লাইরিক দান তৌরকপশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী জয়কুমারনা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিদা লাইরিক পাবা অমসুং রিছার্স তৌবগী চৎনবী অমা থমবা হোৎনবদা লাইব্রেরী অসিনা চাউনা মতেং ওইগনি।

**জর্নেলিষ্ট (এল)ঃ** মনিপুর হিল জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মীফম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। ভরচুয়েল ওইনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা হৌজিক হৌজিক ফম পায়রিবা মীওইশিংগী থবক পুবগী মতম অসি চহি অমা শাংদোকপা অমসুং য়ুনিয়ন অসিগী মীখল অমদি ফাউন্দেসন ডে থৌরম রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম য়েংলগা য়ৈথোকপা হায়না ৱারেপ লৌখি।

**ককচিং (এল)ঃ** সেক্সচুয়েল এন্দ রিপ্রদক্টিব হেলথ হায়বা হীরমদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা লমজাউ ময়াই লৈকাই পার্ট ৱান দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

সংক্লপ-ঐচ.ই.ডব্লিয়ুগী মখাদা নুমিৎ তরানি চথগদবা অখন্নবা কেম্পেইন

অসি দিষ্ট্রিক্ট হব ফোর ইম্পৱারমেন্ট ওফ ৱিমেন অমসুং ইন্টিগ্রেটেদ চাইল্ড দিবলপমেন্ট সাভির্সেস স্কিম (আই.সি.দি.এস) সেল-ককচিংনা ৱান স্তোপ সেন্টর অমসুং শক্তি সধন হোমগা লোয়নন্না শিনবনি। কেম্পেইন অসি থা অসিগী ১২ ফাওবা চথ্থগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** ঃ পেভর ব্লোক মীসনগী মখাদা ককচিং বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুংদা লৈবা লম্বীশিং পেভর ব্লোক থাবগী থবক লেপ্তুনা চথ্খরি। হন্দক্তা শেম্বা লোইরবা ককচিং ৱার্ড নম্বর সভেন ইনফিল্ড পরেং ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. এম. রামেশ্বরনা শঙ্গাদুনা মীয়মাদা শিন্নখ্রে। অনৌবা টেকোলোজি অমা ওইরিবা পেভর ব্লোক টেকোলোজি শিজিন্নদুনা লম্বী শেম্বা অসিনা লম্বীশিং অসি য়ামদ্রবদা চহি ১০ চৎকনি।

লম্বী খুৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা এম.এল.এ. রামেশ্বরনা হায়-লান মনুং য়াওনা কেন্দ্র অসিদা লম্বীশিং শেমজিনবগী থবক লেপ্তুনা চথ্থদুনা লাকপনি। কেন্দ্র অসিগী লম্বীশিং মমাং মমাংদা শেম্বীরমদবা অসিনা মরম ওইরগা লম্বী শেম্বগী খোঙথাং অসি পেভর ব্লোক টেকোলোজি শিজিন্নদুনা পায়খৎলকপনি।

**নোং (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী জিলা খরদা অখাক অরাওগা লোয়নন্না নোং চুরবা য়াই হায়রি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না-চান্দেল অমসুং সেনাপতিদা হয়েং অখাক অরাওগা লোয়নন্না নোং চুগনি। হায়রিবা ফিভম অসি জিলা অনি অসিদা লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা লৈগনি। তমেংলোং, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলগী মফম কয়াদা অখাক অরাও থোক্কনি।

**জিএসটিঃ** জি.এস.টি. রেট হন্থহল্লকপবু ময়াম পুন্না চাউখৎমীন্ননবগী মায়কৈদা খোঙথাং অমনি হায়না য়ুম পুবী নুপীশিং, মহৈরোইশিং অমসুং লৌমীশিংনা তরামা ওক্লি। খোঙথাং অসিনা মীপুম খুদিংমক্কী শেল থুমগী পোৎলুম হন্থহল্লগনি হায়রি।

মুম্বাইগী য়ুম পুবী নুপী অমনা ইমুং মনুংদা শিজিন্নবা পোৎলমশিংগী জি.এস.টি. হন্থরকপা অদু তরামা ওক্লদুনা হায়-মসি য়ুম পুরিবশিংগীদমক্তদি অচৌবা খুদোল অমনি। মসিনা মখোয়গী ইমুং মনুং পুবগী থবক্তা হেন্না খুদোংচাবা লৈহল্লগনি। মহৈ তম্বগী পোৎলমশিংদা লৌবা জি.এস.টি. হন্থরকপা অদুগীদমক কেন্দ্রবু থাগৎলদুনা মহৈরোই অমনা হায়-মসিনা খুন্নাইগী অশোনবা কাংলুপকী অঙাংশিংদা মতেং ওইরগনি।

তেক্তর, হার, লৌউ-শিংউগী খুৎলায়শিং অমসুং ইথৈ-লৌখোংদা শিজিন্নবা খুৎলায়শিংগী টেক্স হন্থরকপগীদমক লৌমী অমনা কেন্দ্র সরকারবু থাগৎলি। মহাকা হায়-মসিনা লৌমীশিংগী চাদিং শিংথানিংঙাই ওইনা হন্থহল্লগনি অমসুং মখোয়গী আই অমদি শেল তুংশিনবা হেনগৎহল্লগনি।

**মেসেজঃ** লৈবাক অসিদা ঙসি হজরদ মহামদকী মপোক নুমিৎ-মিলাদ উন নবি পাঙথোক্লি।

নুমিৎসিদা পীবা পাউজেল অমদা রাস্ত্রপতি-দৌপদি মুরমুনা হায়-হজরদ মহামদনা অমত্তা ওইবা অমসুং মীওইবগী সেভা তৌবগী পাউজেল পীবিরম্মী। মীয়ামনা অসিগুম্বা শেংলবা নুমিৎ অসিদা মহাক্কী পাউতাকশিং অদুদগী পুকিং ইথিল ওইরগা মচিন ওইবগী ৱাখল্লোনদা চংশিনমীন্ননবা ৱারেপ লৌগদবনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়-নুমিৎ অসিনা খুন্নাইদা শান্তি অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুরক্কনি হায়না আশা তৌই। মীনুংশি, সেভা অমসুং অচুম্বা হায়বসিনা মীপুম খুদিংমকপু লমজিংগনি হায়নসু মহাকা থাজবা ফোংদোকখি।

**হোকি ঃ** বিহারগী রাজগীর ইন্টরনেসনেল ষ্টদিয়মদা চংথরিবা এসিয়া কপ হোকি চেম্পিয়নসিপকী সুপর ফোর ষ্টেজগী মেটচ অমদা হয়েং ভারতকা চাইনাগা শান্নগনি।

ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা-ভারতনা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখিবনি। মসিগা লোয়ননা সুপর ফোর গ্রুপতা পোইন্ট মরি ফংদুনা ভারতনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি। ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা চাইনানা কোরিয়াবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**বোক্সিংঃ** য়ু.কেগী লিভর পুলদা চংথরিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ্তা ভারতকী থোকচোম সনামচা চনু নুপীগী কিলোগ্রাম ৭০ গী কাংলুপ্তা অহানবা রাউন্দদা দেনমার্ককী দিতে ফ্রোথোল্মবু পোইন্ট ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা অনিশুবা রাউন্দ চংখ্রে।

অতোপ্পা বোক্সর অনি-নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৪ গী কাংলুপ্তা সাকসি অমসুং নুপাগী কিলোগ্রাম ৫৫ গী কাংলুপ্তা পাৱন বরতাৱালসু অনিশুবা রাউন্দ চংখ্রে। বরতাৱালনা ব্রাজিলগী মাইকেল দৌগ্লাস ত্রিনদাদেবু মায়থিবা পীখি। সাকসিনা য়ুক্রেনগী ভিক্তোরিয়া সকেলবু ৫-০ দা মায়থিবা পীখি। রেফ্রিনা শান্নবা লেপহনবদগী মহাকা ভিক্তোরিয়াবু ৫-০ দা মায়থিবা পীখিবনি। অদুমওইনমক, ওলিম্পিক ব্রোন্স মেদালিষ্ট-লবলিনা বোর গোহাইন য়াওনা ভারতকী বোক্সর তরাদি অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

**টেনিস ঃ** য়ু.এস. ওপন টেনিসকী নুপাগী দবলসতা ভারত অমসুং ন্যুজিলেন্দগী জরা-য়ুকি ভমব্রি অমসুং মাইকেল ভেনস সেমি ফাইনেলদা লৈহৌরে। মখোয়বু বৃটেনগী জরাগী মখুৎতা ৬-৭, ৭-৬, ৬-৪ দা মায়থিহৌবনি।